# “হিয়াঙ্গৈগী হরিউথান কুম্মৈ”

- এল ইবোমচা -

লৈহী পান্বা খোইমুশিং
লমদম কৈদৈ পাইরকপা
নুজাগী নাপদা ঙংলবা
করি পাউবু পুরকপা...?

মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি মতম অমগী লিকোন শান্নফম মফমশিংদা গ্রামোফোন রেকোর্দতা খোংবদগী মীয়াম্না ইতৎ তত্তনা তানরম্বা ঈশৈ ময়েকনি।

নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অঙনবা অমসুং য়াচংলকপদা ক্বাক ক্বাক হায়দুনা মশানা মশাগী মমিং কৌজদুনা মায়কৈ শিন থুংনা কোইপাই পাইদুনা খোংববু ক্বাক্না লানপাউ চেনবা হায়রগা ঐখোয়না খঙনৈ। অদুগা অতৈ মতমদা খোংবদনা ক্বাক খোংবা হায়না খঙনৈ। করিগীনো খঙদে মতম চাদনা খোংলকপা ক্বাক্কী খোঞ্জেল ঐখোয়না তানীংবদি লায়রদনা মশক ফাওবা য়েংনীংদে। মশা পূম্বা অরংবা কারগা য়েংবদা শিং নান্না অদুক ফজখ্রবা উচেক্তু কনানসু উনীংদে। অদুন্নদি ওইরগা থৱায় পানবা পূম্নমক ক্বাক্না খোংলকপা খোঞ্জেল তারগা অয়ূক, নুংথিল, য়াচংবা ওইরে খঙবা মাল্লি। মরু ওইনা অচৌবা উজাউগী অৱাংবা উশাদা শঙ্গু শঙ্গু করোংচাক য়ুংদুনা মকোল ওইদুনা য়াল্লিবা শেকপীশিং অদুগা অচৌবা হৈক্রেং পান্বী, হৈবোং অমসুং খোক পান্বীদা মখুল হুৎলগা মকোন শাদুনা লৈরিবা মীৎলাউবা অহিং চাক্তাবা মকুশিং অয়ূক্কী ক্বাক্কী লানপাউ তাবগা মকোন য়ৌহৌনবা পাইশিল্লকই অদুগা য়াচংবা মতমদা তারগনা অরাপ্পা মফমদা অহিং চাক্তারুনবা মকোন্দগী পাইথোকখি। উচেক ৱায়াশিং অয়ূক্কী ক্বাক্কী লানপাউ তাবদা য়াহৌই অদুগা য়াচংবগী লানপাউ তাবদনা মকোন তম্না পাইশিন্নরক্তুনা মকোন মুন্নবগী চিক্লবা অমসুং মসা কন্থৎনবা, চ্রিক-চ্রাক, চ্রিক, ফদ্রৎ-ফদ্রৎ লাওবা মখোল তাবা ফংই। উচেক ৱায়াদি লায়রদনা মীওইবা ঐখোয় ফাওবা অয়ূক অঙনবগী মচা মশু য়াহৌবা হৌদোকপা মতমদা ইমাগী ইবুংঙো, ইমাগী ইবেম্মা ক্বাক্কী লানপাউ চেল্লক্লে অসুম্না হায়রগা তূম্বা হৌদোক্লে।

মহৌশাদি লমতা থাংজ শরোই খাংবগী লাইগী চাকথা, উসব মেলাগী অরেম-অখাক হুন্দোকপা উবদা শঙ্গু-শঙ্গু, পুল্লপ-পুল্লপ পাইরক্লগা চিক্ল-চিক্লদুনা চাক্তারম্বা ক্বাকশিংদু ঙসিদি চাক্তারবদি লায়রদনা উগে হায়বা ফংখিদ্রে। ক্বাক লৈতবদগী ক্বাক্কী লৱাই লেম্ফুদা হৌবা মতু ফোইগদবগী তেতু-তেতু হায়না খোংলগা পাইশিন্নবা হোৎনদুনতা লৈবা চরোই কৌবা উচেকসু উবা ফংখিদ্রে। ঙসি ঙসিমকসি ইরমদমসিদা ক্বাক মরাং কাইনা লৈরম্বা থোক্লবদি চরোই মরাং কাইনা লৈরমদুনা তে-তু খোঞ্জেল শোয়দনা তারমগনি। মহৌশাদি তত্তনা হায়নরল্লিবনি ক্বাক্কী লানপাউ চেল্লক্লে চরোই তেতু খোংলক্লে হায়দুনা। অদুবু ঙসিদি কদাইদা ঙম্না হৌনদুনা পাইখ্রবা?

ক্বাক্না মচিন্না চিক্লগা চেল্লগা পুবা পামজবা পোৎ খরদং হায়বা তারবদি, পোলাংখোক্তা ফৌদুনা থম্বা নুপীগী শম্বান্দোং, সাপোন, সাপোন মনম চেনবা অচোৎপা ফদি, খরাইদা ফিনা কুপ্তুনা নুংশাদা কংহল্লিবা ঙা অমসুং অঙাংগী শান্নপোৎনি। মাগী অসিগুম্বা হুরান লান্নাগী মতৌদা শাওবগীরা করিনো খঙদে চরোইনা মাগী মতুং কোইন ইন্নরগা তেতু-তেতু খোংলগা লৱাই লেম্ফুগী মতু ফোইগদবগী হোৎনদুনতা লৈ। নোংমগী অমুক খক্তং ওইরবসু ক্বাক্কী লৱাই লেম্ফুদা হৌবা মতু ফোইহৌদ্রবদি লৈবা ঙমজদবা চরোই ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে, ক্বাক্কী লৈফম মফম থিবা চৎখ্রমাল্লে। অয়ূক্কী ক্বাক্কী লানপাউ তারগা য়াহৌরম্বা শেকপী, মকু, খোইনিং, চোংঙা, তেনৱানচিংবা উচেক ৱায়াশিং হৌদোকপীনবা লৈতবদগী অতোপ্পা মফম চাবা অমদা কাইদোংফম হোংখ্রবাল্লে উবা ফংখিদ্রে। ক্বাক উখিদবনা ওইরম্বা তাই মতম অমদা ঐখোয়গী পাখং লৈশাবীশিংনা জন্মা তাবা নুমিৎশিংদা অদুগা মেরা ৱাখিনবা অমসুং ৱাফুকপা নুমিত্তা পাম্না শান্নজরম্বা লিকোন মশান্না উখিদ্রে। নুমিৎ অসিগী নুমিদাংদা লৈকায়দা লৈবা মৈতৈ যূমজাও অমগী অচৌবা মাঙ্গোলদা পাখং লৈশাবী অনী য়েৎ-ওই ইকোয় কোয়না ফম্মীন্নরগা খূবাক নুংদা লিকোন মৰ্দ্ধ তরুক্তু ক্রোক-ক্রোক নিক্লগা নায়ুম মথক্তা জ্বাই লাউনা থাদরগা পনশা থোক্লে, দশু থোক্লে হায়দুনা হরাও তয়াম্বা খোঞ্জেলদা নোক্না খেনা শান্নরম্বনি। মচা নিংঙোল চংখোলবী পোকপী মমানা মচা শংবা ওইনা মাঙ্গোল উখোংতেন্দা ঙারদুনা হিদাকফু খুদোং ফান, হিদাক ঙান্থক অদু হাল্ল হৈদোক্ল, হাল্ল হৈদোক্ল নোংঙানবা ঙাইজে। অয়ূক্কী ক্বাক্কী লানপাউ চেল্লক্ত্রিঙৈ চরোইনা তেতু খোংলকত্রি ফাওবা লিকোন য়াওরিবী মচা নিংঙোলদা মোমোন মিনোক্কা লোয়ননা চেপথ চেপথ য়েংজরগা পেঞ্জবা ঙসিগী মমা ওইবী কনানসু ফংলরোই। লিকোন শান্নবদা পনশা থোকপা হায়বসিনা লিকোন মৰ্দ্ধ মঙা লোংলগা অমা উপ্পবু খঙনৈ, দশু থোকপা হায়বসিনা মঙা উপ্পগা অমা লোংবদু খঙনৈ, য়ানবগী মতুংইন্না অনীসিগী মনুংদা অমা থোক্লবদি পো কাংদুনা শান্নবা হৌবা য়ারে। পাখংনা হান্না থোক্তুনা শান্নবা হৌখ্রবদি পাখংদুনা লিকোন মৰ্দ্ধ তরুক্তু মাগী ওইনাদা ফন্নিবী নিংঙোল অদুগী খূবামনুংদা - ‘হাপচরগেদো ইমাগী মমৌ’ অসুম্না হায়রগা হাপ্পী। অদুগা নিংঙোলনা পাখংদুগী খূবামনুংদা অমুক হাপ্পদনা - “হাপচরগেদো ইমাগী ময়া শক ফজবা” অসুম্না হায়রগা হাপ্পী। অদুবু নোংঙাল্লমদাইগী মতম ওইরক্তুনা অনকপদগী নৎত্রগা অরাপ্পদগী ক্বাক্কী লানপাউ তারক্লবদি খুদক্তা নায়ুম থুপচিল্লগা লিকোন শান্নবা লোইশিল্লি।

নুমিৎসিগী অয়ূক অমসুং নুংথিলগী মতমদনা পাখং লৈশাবী পূন্না পূন্না অনকপদা অমসুং অরাপ্পদা লৈবা পাৎশিংদা হি তোংদুনা থরো থম্বাল থারিকথা অমসুং থমচেৎ হেকপা চৎমিন্নবদা মনিং তম্না নুংশি নুংওলগী ৱারী কয়া কয়া শানৈ। অদুগা খরা অমনা কিহোম চাবা চৎমিন্নৈ, কিহোম হেকপনা পাখংনা ওইরগা মকু খোকপনা লৈশাবীশিংনা ওইদুনা মীনোক মীৎচি লাংনা হরাও তয়াম্না পাখং লৈশাবী চিন্দমমিন্নৈ। অশেংবদি নুমিৎ অসি পাখং লৈশাবী অনীগী পুন্সি লৈপুন শেম্নবগী খুদোংচাবা ফংবা তাঞ্জা অমনি। অদুগা নোংমাইজিং খুদিংনা ইঙৌরোক, ঙ্বারোক, থোঙাম মোন্দুম, হৈবোক মহাদেবনচিংবা লাইশঙশিংদা লৈশাবী পাখং পূন্না পূন্না লাই খুরুম্বা চৎমিন্নৈ।

নুমিৎসিদা অঙাং নুপামচাশিংনা খুং, চৈতেক কোৎপি, য়েন কাউনবা, কোক ফাইটিং, নূঙ হুন্নবী, চেনজোং, মাংজোং অমসুং মুক্কানচিংবা শান্নৈ। অদুগা নুপীমচাশিংনা কাংখিল, য়ুমশাবী, অচাইবী, বোল থোন্বী, সেবোতি, হঙোই চোঙবী, খূৎলোকপী, উরাউবী, খোমদোন মৈরৌবী, অমাংবী তান্নবা, ক্বাক মাংজোং, খূৎয়াই লোৎপী শান্নমিন্নৈ।

ওহ! নুংশিদা হো ক্বাক নঙনা ঐখোয়গী নাক্তগী মফম খঙদবা অমদা লাপ্পা পাইখিবদগী ওইরমাল্লে জন্ম তাবা নুমিৎশিংগী কুম্মৈ অমসুং মেরা পুর্ণিমা নুমিত্তা মেরা ৱা য়ুংলগা হিয়াঙ্গৈগী পুর্ণিমা নুমিত্তা মেরা ৱা ফুকপা হায়বদি থা অমগী ওইবা কুম্মৈ অসি লৈখিদবদগী কুম্মৈ অসিগী মনুংদা পাখং লৈশাবীশিংনা পাম্না শান্নরম্বা লিকোন মশান্নসু তোকখিবা কুইরে। কুম্মৈ অসিনা তোকখিবদা থম্মোয় শোক্না য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওরিবদি পাখং লৈশাবীশিংগী লিকোন শান্নফমদা গ্রামোফোন রেকোর্দতা তাখিবা মথক্কী ঈশৈ অসি ঙসিদি তাবা ফংখিদবা অদুগা অমনা চহী হেক খুদিংগী হিয়াঙ্গৈগী তরানিথোই পানবা নুমিৎনবু লাক্লদি লৈকায় খুদিংদা লৈবা নহা, অহল, পাখং, লৈশাবীশিং পূন্না হৌনদুনা ‘হিয়াঙ্গৈগী হরিউথান কুম্মৈ” গী শ্রীহরিদা আরতি কৎচবগী ঈশৈ - জয় রাধে জয় রাধে, গোবিন্দ রাধে, কুঞ্জে কুঞ্জে বিলাসিনি, শকপা তাখিদবা অসিনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## সী এমগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবগী পুন্সি তম্বা ঙম্বা নত্তে। নিংথৌ ওইনা পোক্লকপা কয়া অমসু চাকনীবা ওইবা য়াওখি। চাকনীবা ওইনা পোক্লকপা কয়া অমসু নিংথৌ ওইখিবা কয়া অমসু য়াওখি। মসি পূম্নমক মহাক মশানা কন্না হোৎনজরকপা অমসুং লাইবক্কী মখা পোল্লি। লাইবক্লবু তম্লমদ্রবদি য়াম্না কন্না হোৎনজরবসু শিরগা তোকখিবা কয়া অমগসু য়াওখ্রবনি। মসি পূম্নমক পুৱারীনা শাখিনি অমদি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবনি।

মীওইবা অমনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাইরিক হৈবা মী অমা ওইগে, অচৌবা ফম অমা পায়গে নৎত্রগা অচৌবা ওফিসর ওইগে নৎত্রগা ইনাক খুনবা মী অমা ওইগে হোৎনবদা ঙম্নরি হায়বা য়াই। অদুবু ঐ ভোট কাগে, মন্ত্রি ওইগে অমসুং চীফ মিনিষ্টর ওইগে হায়বসিদি লাইবক্লবু তমদ্রবদি ওইবা য়াবা নত্তে। মণিপুরগী পোলিটিক্সকী পুৱারীদা সী এম ওইগে হায়দুনা য়াম্না কন্নদি হোৎনরগা মায়দি পাকখিদ্রবা কয়া অমা য়াওখ্রে। য়াম্না কন্না হোৎনরুবা নত্তবা লাইবক্লা তম্বগুম থোকখিবা হায়রগনা আর কে জয়চন্দ্র, ও ইবোবী, এন বিরেন মখোয় খরা অসি পনবা য়াই। হৌখ্রবা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী পুৱারীদা মতম শাংনা অকাই অতোই অমত্তা য়াওদনা পানখিবসি ও ইবোবীনি। মতম অদুদা এন্টি দিফেক্সন লো লৈ হায়রগসু ও ইবোবীগী মতম শাংনা পোলিটিক্স য়াওরকপগী তোঙানবা হৈথোই শিংথোইবা খরসু লৈরমগনি। মহাক্কী মতুংদা মতম শাংনা পানগদৌরিবসি এন বিরেন ওইবা য়াই হায়নরি। ও ইবোবীনা সী এম ওইবা মতমদা মণিপুর অসি অসুক্কী মতিক শেমগৎ শাগৎপীরম্মী। তোলোপ চাং নাইনা ফংই অমদি এস এস এ, আর এম এস এনচিংবা খরদি শেঞ্জা থুমজা অমত্তা য়াওদনা হাপ্পীরম্বগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি। অদুবু মহাক্কী মতমদা ফেক এনকাউন্টরদা মীওই কয়া অমা হাৎখিবগী নুংঙাইতবা ঙসিসু ফোঙদোক্লবা লেপত্রি।

এন বিরেননা সী এম ওইরকপদা মীপূম খুদিংমক্না ফংখিবা কান্নবসি (১) ফেক এনকাউন্টর তোকখিবা (২) মীয়াম্না পেন্দবগী ৱাকৎ খোল্লাউগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম ফম্বা নৎত্রগা রেল্লি চৎপদা পুলিস থাজিল্লগা তমথীনা ফূবা তোকখিবা (৩) ইকোনোমিক ব্লোকেদ তোকখিবা (৪) সী এম উন্নবদা মীয়ামগী নুমিৎ থন্বীবা (৫) সী এমগী হকশেলগী তেংবাঙ (৬) শেঞ্জা থুমজ না হারবা মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটিবু পুমশেং শেংদোকখিবা (৭) এদেদ কোলেজ তরুক লৌশিনখিবা (৮) কুমজা ২০১৯গী আই আর বিগী রিক্রুটমেন্টবু শেঞ্জা থুমজা য়াওদবা অশেংবা মেরিটতা খনবা রিক্রুটমেন্ট অমা ওইহনখিবা (৯) মীওই পূম্নমকপু ভেক্সিন লেম্না কাপ্পা ফংহনখিবা (১০) কোরোনাগী মতমদা চেঙ লেম্না য়েনখিবা (১১) পান্থৈ লৈত্রবা মীওই কয়াবু কিদনিনচিংবা অরুবা অনাবা কয়াদা লেম্না লায়েংবীখিবা (১২) পোরোম্পাৎ অয়াংপল্লিদা সেমি গভর্ণমেন্ট ওইবা কেন্সর হোস্পিটাল অমা লিংখৎপীরকপা অসিনচিংবা খরা অসি পনবা য়াই।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি তামো বিরেননা লৌশিনবীখিবা এদেদ কোলেজ তরুক্কী ওজাশিংদু অয়াম্বনা পেন্সন ফংগদৌবা চহী ৬ নৎত্রগা ৭ খক্তা ঙাইরবনা অয়াম্বনি। মখোয় পূম্নক্না তামোবু লাইগুম্না ইরাৎনরমগনি। ৱাৎহৌরিবা এদেদ কোলেজশিং অসিসু অথুবা মতমদা লৌশিনবীরগদি তামোবু লাইনসু য়াবা, মীনসু য়াবা হায়বদু ওইগনি। গভর্ণমেন্টকী কোলেজ ওইনা লৌশিল্লে অদুবু শেল থুমগী ফীভম ফত্তবনা ঙসিদগী চহী মঙাগী মতুংদা মখোয়গী ফংফম থোকপা তোলোপ অদুদি পীবা হৌগনি হায়রবসু কনাগুম্বা অমত্তনা শাওগদৌবা লৈতে। মীওইবগী পুন্সি ঙসি শিনি পাউদমদে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে হায়নরিবনি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি মণিপুরগী পুৱারীদা মপানা সী এম ওইখি নৎত্রগা ময়াম্বনা সী এম ওইখি হায়দুনা ইমুং মনুংগী মীওই অমনা সী এম ওইরকপা অমুক ফাওবা য়াওখিদরি। মতুংদসু য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মরম অসিনা তামোগী পুন্সিদা সনাগী কৈরাক থারিঙৈ মতমসিদা তৌবা য়াবা মখৈ তৌবীহৌরো, ঐখোয়গী লৈবাক মচা অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ইনাক খুনবা লৈবাক অমা ওইহল্লসি। গঞ্জা লিগেলাইজ তৌবদা অয়েৎপা মীগী মশীংদগী সপোর্ট তৌবা মীগী মশীংনা য়াম্না হেল্লি হায়বসি মীপূম খুদিংনা খঙনরবা ৱাফমনি।

**অদোমগী - রোমিও য়ূম্নাম**
টোপ অৱাং লৈকায়, ইরিল মপাল

## ষ্টৈটকী পাউ

# কুমজা ১৯৭৯দগী লেপ্তনা পাঙথোরকপগুম নবেম্বর...

*লামায় ১গী মখা...* কাশ্মীর, পঞ্জাব, বিহার, ঝরখণ্ড, উত্তরখণ্ড, উত্তর প্রদেশ, ওদিসা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সাউথ ইন্দিয়াদা অমদি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা মরৈবাক মনীংতম্বগী ঈহৌনা ইন্দিয়া পূম্বা বোম-নোংমৈগী মখোলনা নাকোং শীংজা য়ৈরি। ফীভমসিদা মরৈবাক নীংতম্নবগী হৌরিবা ঈহৌশিং নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বসি তাকচরবনি হায়রি।

য়ু এস আর্মিগী লেফটিনেন্ট জেনরেল জোর্জ এস পাট্টোননা কুমশিং ১৯৪৪গী জুন ৫দা মহাক্লা কন্মান্দ তৌরিবা থর্দ আর্মিনা ‘ওভর লোর্দ’ হায়বা কোদ নেম অমা শীজিন্নরগা চথখিবা ওপরেসন অমদা এল্লাইদ ফোর্সকী শরুক অমা ওইনা ফ্রান্সতা হিটলরগী নাজি ফোর্সকী মথক্তা লান্দাবা চৎলমদাইদা পীখিবা ৱারোলদা পনখিবা ৱাহৈ পরেং অমা নীংশিংবা য়াই মদুদি; “মীওই অমত্তনা লৈবাক্কীদমক শিরগা লানঙমখিবা খক লৈত্রি, নহাক্কী য়েক্লবা অদুনা মরৈবাক্কীদমক শিহল্লগা নঙনা লান ঙম্বনি”। মসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। লান ঙম্বা হায়বসি অহিংবনা ঙম্বনি, অশিবা লান্মীনা ঙম্বদি ঘোষ্টকী ফিল্মদদা থেংনগনি। মরম অদুনা ইরৈবাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনদ্রিফাওবা রেদ আর্মি প্রিপাকনা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোইশিং অমদি ইন্দিয়ন ওক্যুপেসন ফোর্সকী মথক্তা হনবা লৈতনা মখল কয়াগী য়াওল লান্থেং চথখিগনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, য়ু এনওনা পীরিবা হিংবগী হক (রাইট টু সেল্ফ দিটর্মিনেসন) অদু লোইমী ওইরবা ঐখোয়গী মীয়ামদা লোইনমক লৈজবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হিংবগী হক অদু ইশানা ফংজদুনা ইরোমদোম লৈঙাকচবা য়াই হায়বসি য়ু এনগী চার্টর কয়াদা ময়েক শেংনা ইরি। কংলৈপাক অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী তোঙান তোঙানবা লোল, ময়েক, নাৎ, চৎনবী অমদি কলচরেল আইদেন্টিটি লৈজবা ফুরুপ কয়ানা পুনশিল্লগা লৈবা লমদম অমনি। অদুবু কুমশিং ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫দা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নম্ফুদা লৌশিনখিবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী মাঙখিবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনগে হায়বদা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা মসিগী মায়োক্তা লৈফম থোক্তে। মালেমদা লোইলম শন্দোকপা লম করম্বা লৈবাকশিংনা খুদুম চনশিনবীদুনা লোইলম ওইনা থম্লম্বা লৈবাক কয়া অমুক নৌহৌননা নীংতম্বা ফংখিবগী ৱারী কয়া নীংশিংবা য়াই। খুদম খরদং পল্লবদা নামিবিয়ানা সাউথ অফ্রিকাদগী কুমশিং ১৯৯০, মার্চ ২১দা নীংতমখি। মর্শেল আইলেন্দনা য়ু এসতগী কুমশিং ১৯৯১, সেপ্টেম্বর ১৭তা নীংতমখি। হান্না কেরোলিন আইলেন্দ মিকোনেসিয়াসু য়ু এসতগী চহীদুমক্কী নুমিৎতুমক্তুদা নীংতমখি। কুমশিং ১৯৯৩গী মে ২৫দা ইথোপিয়াগী এরিত্রিয়া নীংতম্বা ফংখি। য়ু এসনা লৈঙাকপা ত্রষ্ট টেরিটোরি ওফ পেসিফিক আইলেন্দ পলাওসু ১৯৯৪গী ওক্টোবর ১দা নীংতম্বা ফংখি। কুমশিং ২০০৮, ফেব্রুৱারী ১৭তা কোসোভোনা অমুক সর্বিয়াদগী নীংতম্বা ফংখি। ২০০১, জুলাই ৯দা সাউথ সুদাননা সুদানদগী নীংতম্বা ফংখি। মসিদা নত্তে, ২০শুবা চহীগী লোইরকপা দিকেদ খক্তদা মালেমদা নীংতম্বা লৈবাক ২৮ থোরকখি। য়ু এস এস আর কায়বদগী নীংতম্বা লৈবাক ১৫ থোরকখি। য়ুগোস্লাভিয়া কায়বদা তোঙানবা সোভরিন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট লৈবাক ৫ থোরকখি। মতৌ অসুম্না হৌজিক হৌজিক সিরিয়া, অরব অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাক কয়াদা ইন্টর্নেল কনফ্লিক্ট মরাং কায়না লৈরি। লোই চনশিনবীরবা মালেমগী লৈবাক কয়া মরৈবাক নীংতম্বগী য়াওল লান কয়া মথং-মথং থোরকখিগনি; অদুনদি ঐখোয় ইরমদমগী মীয়াম হুপ্পা অপূনবা নীংতম য়াওল লান্থেং অমা চথদুনা মাঙখিবা ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা নীংতম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্লসি হায়রি।

অরোইবদা, নবেম্বর ১২, ২০২২, “অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ” লাকপসিদা লিশাং শিৎনা চথরক্লিবা ইরৈবাক্কী লাইবক লেপকদবা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবী পূম্নমক্তা প্রিপাক্লা ইকোক নোন্না ইকায়খুম্নবা উৎচরি অমদি মখোয়গী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা য়াতাবা ওইরসনু হায়রি।

## মীতৈ খুলশিং...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাকৎ মীফম অদুদা ওইনাম ইবোমচা কৌবা অমনা চীংগা তাইনবা মফমদা লৈবা মীতৈগী খুলশিং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা চলহনবা মেপ থোক্লকপা অসি ঈৱাং অমা লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা কে এস ও কৌবা লূপ অমনা চান্দেল, কাংপোকপী অমদি চুড়াচান্দপুরগা তাইননা লৈবা খুলশিং তম্পাক্তা তিনবা য়ারোই হায়না মীদিয়াদা চেরোল থোক্লকপা অসি য়ানীংদে। হীরম অসিদসু লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

অমরোমদা কংলাতোংবীদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব কংলাতোংবীগী এদভাইজর থৌদাম গুনিন্দ্রোনা, চীংগী নাকলদা লৈবা মৈতৈ খুল কয়া চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা পুনশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়ানীংদে। মরু ওইনা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা কংলাতোংবী অসিসু হান্নগুম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এরিয়াদা লেঙদনা থম্বীয়ু। মরম অসিনা হীরম অসিদা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা কাঙলূপকী ওইবা ঈৱাংশিং লাক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা লৌখৎপীয়ু হায়খি।

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR BUILDING AND OTHER CONSTRUCTION WORKERS' WELFARE BOARD**
**2ND FLOOR, DIRECTORATE COMPLEX, NORTH AOC**

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

Imphal, the 9th November, 2022

No. MBCWB/RO/Regd./2022: It is hereby notified for information of all Labour Card holders that the Manipur Building and Other Construction Workers' Welfare Board (MBOCWWB) has decided to cancel all labour cards issued by this office which have expired and for which no contribution has been paid for more than 1 (one) year as per section 17 of the Building and Other Construction Workers (Regulation of Employment and Conditions of Service) Act, 1996.

2. All labour card holders are informed to clear pending contribution within a period of 15 (fifteen) days. This notice may be treated as 'show-cause notice' and labour cards which have expired and have pending contribution dues for more than 1 (one) year will be cancelled without any further notice.

3. Further, field verification will be carried out by staffs of MBOCWWB to verify genuineness of all active labour card holders. All card holders are requested to extend their cooperation in the verification exercise.

**Sd/- Peter Salam**
Secretary,
Manipur Building and Other Construction
Workers' Welfare Board

HL-B/7887/10,11

## *হান্নগী মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম...*

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ৬,৩৯,৯৬৭ লোম ওইগদবা মারুটি জিপসি অমা লৈখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭তা চাওরাক্না লুপা ২৮,৬৫,০৯৯ লোম ওইগদবা টোয়োটা ফোরচুনর অমা লৈখি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্না লুপা ৬,৫০,৮৮৮ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১৫০ রোম লৈ। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্না লুপা ১২,১৪,৯৯১ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ২৮০ লোম লৈ। মহাক্কী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ৫৯,০৪,৬১২ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফমনা লুপা ১৫,৬৮,৩৮৩ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মীংদা ৱাংখেমদা একর ১.০৫; একর ০.৭৪ অমদি জায়রোলপোকপীদা একর ০.৩৯৯ অমসুং একর ২.০৯ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা খোইদুম লমজাউদা একর ২.৪৭৯; চঙাঙ্গৈদা একর ০.২০ অমদি একর ০.৫১৫ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেলগী লমশিং লৈ। মহাক্কী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ লৈতে। লোয়নবীগী মীংদদি চঙাংঙৈদা অমদি মৈত্রমদা স্কৱার ফিট ১,৩৬১ অমদি স্কৱার ফিট ৩৯২০.৩৯ লোম পাকচাওবা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। মখোয় অনীগী মীংদা কর্ম্মসিএল বিল্ডিং অমদি রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অমত্তা লৈতে। মহাক্কী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ১৩,৫০,০০০ ওইখি। অদুগা লোয়নবীগী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যুনা লুপা ২০,০০,০০০ ওইখি। লোয়নবীগী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইবিলিটিজ অসি লুপা ১,২৬,০৮,১৮৯ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৭,০১,১৯০ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ৪,৯৯,০৩০ ওইখি হায়রি।

## পল্লেল ২শুবা মণিপুরনি, মীয়াম্না...

*লামায় ১গী মখা...* পল্লেল, বিজয়পুর অমদি সোরা মমাঙ লৈকায়না পুনবা পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়ট অসি মান্নদবা কাঙলূপ হায়বদি মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল পূন্না শেম্বা গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইবনা মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট ওইনবা খনগৎপনি। মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইহনবদা লমদম অদুগী মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ। লৈঙাক্না স্কিম কয়া, প্রোজেক্ট কয়া, শেনফম কয়া থাদুনা মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা হেক্তা ওইগদবা নত্তে। মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইবা হায়বসি লমদম অদুবু মোদেল ওইবখক নত্তনা মফম অদুগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন, লমচৎ, ফিজেৎ চাকচা অমদি মীওক মীচান ফবা হায়বসিসু য়াম্নমক মরু ওই। মীয়াম্নসু থবক থৌরশিংদা শরুক য়াশিনবগী মথৌ তাই। লোয়ননা মীনা পীরকপা খক ঙাইবগী মহুত্তা মীয়াম্নসু অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা অফবা লমদম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়খি। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা য়াওরিবা তম্পাক্কী মফমশিংদা অহানবা ওইনা লোক সভাগী এম পি ডা. লোরহো এস ফোজেগী মখাদা পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টপু মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইনা শেমগৎনবা লাউথোকপগী থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি ডা. লোরহো এস ফোজেনা অথোইবা মীথুং, ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা থৌরম মপু, ককচীং জিলা পরিষদকী উপ-অধক্ষ এম দি নাজিমুদ্দিন, পলেল্ল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি মুকিমুদ্দিন, উপ-প্রধান এস জয়কুমার, দি সী ককচীং সোমোরজিৎ সলাম অমদি এস দি ও/বি দি ও ককচীং ওক্রম সনধ্যারানিনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়না লৈরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগা হীরম কয়াদা শম্নগদৌরিবা অসিদা তম্পাক্কী লমদা ইহান হান্না থুংলদুনা লমদম অসিগী অহানবা মশক তাকপা মফম অমা ওইগদবনা মফম অসি মতিক চাবা মফম অমা ওইবগী মথৌ তারকপা অমদি এম পি ডা. লোরহো এস ফোজেনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু নুংশিবনা খুঙ্গং অহুম্না পূনবা পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়ট অসি মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইনা শেম্নবা খনগৎপীরকপনি হায়খি।

